# ইবোবী সরকারগী মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন!

## লিষ্ট ফাইনেলাইজ তৌবগা চয়েৎনবা থোক্লে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, এপ্রিল* ২৭ঃ চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা লুচিংবা কংগ্রেস সরকার মার্চ ১৪ দা ৱাশক লৌখ্রবসু চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমসুং এমপিসিসিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হোম মিনিষ্টর শ্রী গাইখাঙম অনিগী মরক্তা চাওনা মত খেন্নবা লৈবনা নহানমখে সরকার এক্সপান্দ তৌবা ঙমদনা লাকখিবদু হয়েং এক্সপান্দ তৌরগনি হায়না প্রেসনা ফংবা য়াম্না থাজবা য়াবা পাউগী সোর্স অমনা হায়রি।

অতোপ্পা সোর্স অমনদি অথেংবা ফাওবদা গভর্নরগী ওফিসতা হয়েং ইবোবী সরকারগী মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন তৌবগী ইনফোর্মেসন লৈতবনা হয়েং করিগুম্বা মতম য়াম্না খুয়ৌনবা থোক্লগদি নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওইনা তৌরবা য়াই। মসিগী মথক্তা হয়েং অসি থাংজ ওইবনা হয়েংমক সিএম না সরকার এক্সপান্দ তৌবা পামদ্রি। মসিগা লোয়ননা অথেংবদা নৌনা চয়েৎনবা থোরকপনা হয়েং তোক্লগা নিংথৌকাবা নুমিৎ ওইনা তৌরবা য়ারি।

পাউগী সোর্স অসিনা মখা তানা হায়রিবনা ঙসি নুমিদাং চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম্না এজেন্দা অমা অনি খন্নবা হৌরকপদা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন তৌদ্রিঙৈদা দিপার্টমেন্টশিংগী পোষ্ট লৌবগী মতাংদা চয়েৎনবা থোরকপদগী কেবিনেট মীফম তোক্লগা মখা তানা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সনগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবী অমসুং গাইখাঙম অনিনা ক্লোজ দোরদা মীফম পাঙথোক্তুনা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সনগী মতাংদা ফাইনেলাইজ তৌখিবনি হায়রি। লুচিংবা অনিনা য়ানবা অমা লাকখিবনা মরম ওইদুনা হয়েং অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা সিএম অমসুং গাইখাঙম অনি পুন্না রাজ ভবন্দা চৎতুনা গভর্নর গুরবচন জগৎকা উন্নদুনা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সনগী লিষ্ট অদু পীশিল্লুগনি। লোয়ননা গভর্নর উন্নদুনা মিনিষ্টর ৱাশক্লবগী মতম অদু লৌগনি হায়রি।

হয়েংগী মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন অসিদা ৱাশক লৌরগনি হায়না পানরিবা এমএলএশিং অদুদি, ইম্ফাল ৱেষ্টতা নুপীগী রিজার্ব সিট ওইনা একে মীরাবাই, শিংজমৈ কেন্দ্রদগী আই হেমোচন্দ্র, ময়াং ইম্ফালদগী কেঐচ রতনকুমার, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী গোবিন্দাস কোন্থৌজম, থৌবাল দিষ্ট্রিক্তগী হৈরোক কেন্দ্রগী এমএলএ এম ওকেন, লিলোং কেন্দ্রগী এমদি নাসির, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তগী ফ্রান্সিস ঙাজোকপা অমসুং ঙমথং হাওকিপনি। অমরোমদনা হান্না মিনিষ্টর ফংগনি হায়না আশা তৌরম্বা এমএলএ কয়া অমদি পেন্নদবা য়াওরে। মসিনা ইবোবী সরকারগী মরায়বক তুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা জানুৱারী ২৮ দা ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখল পাঙথোক্লবা মতুং মার্চ৬ তা ইলেক্সনগী ফল্ল লাওথোকখিবনি। লোয়ননা মার্চ ১৪দা শ্রী ও ইবোবী অহুমলক শুবা চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুং মার্চ ১৬ তা সেন্টরগী হায় কম্মান্দ উন্নরুরগা শ্রী গাইখাঙম, শ্রী দেবেন্দ্রো অমসুং শ্রী ফুংজাথাং তোন্সিং অহুম মহাক্কী মিনিষ্ট্রিদা হাপচিন্দুনা এক্সপান্দ তৌখিবনি।

মসিগী মতুং তারকপদা সিএম অমসুং গাইখাঙম অনিগী মরক্তা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন তৌবগী মতাংদা চাওনা মত খেন্নবা লৈবদগী নাকল্ল অনিগী ওইনা সেন্টরগী হায় কম্মান্দা তোঙান তোঙানবা লিষ্ট পীশিন্নদুনা মখোয় মখোয়গী ওইবা এমএলএশিং মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌনবা তক্লন্দুনা লাকখিবনি। হন্দক্তসু এপ্রিল ১৬তা দিল্লিদা পাঙথোকখিবা লৈবাকসিগী ইন্টর্নেল সেক্যুরিটিগী মীফমদা শরুক য়ানবা চৎখিবা চিফ মিনিষ্টর ইবোবী অমসুং গাইখাঙম অনি সেন্টরগী হায় কম্মান্দগা উন্নদুনা এক্সপান্সনগী মতাংদা তক্লন্দুনা লৈখিবনি। মদুদসু মত খেন্নদুনা সিএম অমসুং গাইখাঙম অনিনা সোনিয়া গান্ধীগী পোলিটিকেল এদভাইজর অহম্মদ পতেলগা তোঙান তোঙান্না উন্নরবা মতুং সোনিয়া গান্ধী উন্ননবা হোৎনবদা সিএমনা পাউপীরক্তে হায়দুনা গাইখাঙম শাওনা ইম্ফাল থোক্লকখিবনি। অদুম ওইনমক হায় কম্মান্দনা কৌশিল্লকপদগী এপ্রিল ২০দা ইম্ফাল থোরকখিবা শ্রী গাইখাঙম অমুক হন্না এপ্রিল ২১গী অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা ইন্দিগো ফ্লাইটতা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি। মদুদসু সোনিয়া গান্ধী উন্নবা ফংদনা লুচিংবা অনিমক ইম্ফালদা হল্লকখিবনি।

মদুগী মতুং তারকপা ওইনা ঙসি অসি চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফম অদুনা পৱার /পিঐচই /আইএফসিদিদা এমপিএসসিগী খুথাংদা এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়ার ৪০ লৌনবা হোৎনবদা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন তৌদ্রিঙৈদা পোষ্ট লৌবদা ফজদবা লৈবনা এজেন্দা অদু ৱিদ্রো তৌখি। অদুম ওইনমক এমেন্দমেন্ট ওফ দি পঞ্চায়টি রাজ এক্টকী মতাংদদি পঞ্চায়ট ইলেক্সন মতম নকশিল্লকপা অমসুং হৌজিক লৈরিবা পঞ্চায়টকী তার্ম অসি চৎলিবা চহি অসিদা মতম লোয়বা অমদি পঞ্চায়ট ইলেক্সন মমাংদা দিলিমিটেসন তৌবা দরকার ওইব্রা হায়বদু খন্নখি। মদুসু ফাইনেল ওইবা ঙমখিদে। অদুবু দিলিমিটেসন তৌবদা চহি অমা হেন্না চংগদবনা দিলিমিটেসন তৌদনবা ৱারেপ লৌখি।

কেবিনেট মীফম অদু লোয়রবা মতুং সরকারগী থবক তৌবদা চয়েৎনবা কয়া লাকপা মরুওইনা কেবিনেট মীফম ফাওবদা চয়েৎনবা লাকপনা অখন্নবা চিফ মিনিষ্টর অমসুং গাইখাঙম অনিনা ক্লোজ দোরদা মীফম পাঙথোক্তুনা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সনগী মতাংদা খন্নরবা মতুং নাকল্ল অনিনা য়ানবা মওংদা ফাইনেল লিষ্ট অদু থোকখিবনি হায়রি।

সিএম অমসু গাইখাঙম্না ফাইনেলাইজ তৌরবা লিষ্ট অদু ঙসি নুমিদাং সেন্টরগী হায় কম্মান্দদা থাখ্রে। অদুকপু লিষ্ট ফাইনেল ওইরবা মতুং নৌনা চয়েৎনবা অমুক থোরকপদগী ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী এমএলএ রতনকুমারগী মহুত্তা লম্লাই কেন্দ্রগী এমএলএ ক্ষেত্রি বীরেন হাপচিনবা অদুগা সেনাপতিদগী ফ্রান্সিস ঙাজোকপা লৌথোক্লগা এমপি রিশাং কৈশিংগী মচানুপা ফুংয়ার কেন্দ্রগী এমএলএ ভিক্টর কৈশিং হাপচিনবা হায়না খন্নখি। অদুমকপু মসিমক্তি ফাইনেল ওইবা ঙমখিদে। হান্না দিল্লিদা মাংজৌননা লিষ্ট থাদোকখ্রবনিনা অনৌবা লিষ্ট শেমদোক শেমজিন তৌবা হায়বদু অরাইবদি ওইরোইদৌরি। অদুবু রাজনিতিদা ফুল্লসতোপ লৈতবনা হয়েং অয়ুক গভর্নর উন্নদ্রিঙৈদা রতনকুমার অমসুং ফ্রান্সিস ঙাজোকপগী লিষ্ট অনি অসি শেমদোরক্কদরা হায়না চিংনবদি লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সনগী মতম নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওইনা পাঙথোক্লবা য়ারি।

অমরোমদনা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন অসিদা মিনিষ্টর ওইনবা তান্নরম্বা কয়া ফংহৌদবা কয়া পুনশিন্নদুনা দিসিদেন্টগ্রুপ শেমদুনা অথুবদা ইবোবী শিন্দোক্লবা ইরাং লাকপা য়ারি হায়না য়াম্না থাজবা য়াবা পাউঅমনা হায়রি। মরকসিদা কেবিনেট মিনিষ্টর অমগা ৱারী শান্নবদা ফোঙদোরকখিবদি মমাংদা মিনিষ্টর ওইরম্বা অমত্তা হন্দক্কী লিষ্টতা য়াওদ্রে। মসি অহোংবা খরা লাক্লবনি। অদুমকপু মতিক চাবা এমএলএ ৫ /৬ পার্লিয়ামেন্টরি মেম্বর ওইনা হাপকদৌরি। মসিসু কেবিনেটকী রেঙ্কনি। সিষ্টেম অসি মিজোরামঅমসুং মেঘলয়াদা চৎনরিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।